# নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ গী কেস ৯১ থেংনখি, ৬ শিখি

দিমাপুর, জুন ২৬ (এজেন্সী):

নাগালেন্দদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৯১ থেংনখিবগা লোয়নন্না হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা মীওই ৬ শিহনখি হায়রি।

ঙসি পোজিটিভ ওইখ্রবা অপুনবা মশীংগী মনুংদা দিমাপুরদগী ২০, কোহিমাদগী ৪৮, মকোকচীংদগী ৯, পেরেনদগী ৩, ফেক্তগী ১, তুৱেনশাংদগী ৬ অমসুং জুনহেবোটোদগী ৪ য়াওরি। অদুগা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ষ্টেট অসিগী পুন্না মীওই ১০৬ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচত্তগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে।

রিকোভর তৌখ্রবশিংগী মনুংদা দিমাপুরদগী ৩৫, কোহিমাদগী ২১, লোংলেনদগী ১, মকোকচিংদগী ৩১, মোনদগী ৪, পেরেনদগী ৬, ফেক্ততগী ৫ অমসুং তুৱেনশাংদগী ৩ য়াওরি। ঙসি থেংনখিবা কেস মশীং অসি থারগা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ না শোকহনখিবা অপূনবা মশীং ২৪,৮৫০ শুহনখ্রে। অদুগা ২২,১৭৮ মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ষ্টেট অদুদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস ১,৪৮৭ লৈরি।

অমরোমদা নাগালেন্দগী চীফ সেক্রেটরি জে অলমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লবসু মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকা মরী লৈননা লৈঙাক্লা শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মখা তানা ঙাক্লা চৎকদবনি। এস ও পি ঙাক্লা চত্তবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা লোগী ওইবা এক্সন চপ চানা লৌখৎকনি হায়রি।



শিংজমৈ টু লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (এস এল য়ু সী ও) না কোনবা মফমশিংদা হাংলিবা কম্ম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্তর অহুমদা এস এল য়ু সী ওগী থৌমীশিংনা চত্তুনা চানা থক্লবা পোৎলমশিং সেন্তর অদুদা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাঙ পীখিবা

# কলিতানা অসামগী অনৌবা বি জে পি প্রসিদেন্ট ওইরে

গুৱাহাটি, জুন ২৬ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী নেম্নেল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা পার্টি অসিগী রঙ্গিয়াদগী কাবা এম এল এ অমসুং হান্নগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ভবেশ কলিতাবু অসামগী অনৌবা বি জে পি প্রসিদেন্ট হাপখ্রে।

রঙ্গিয়াগী এম এল এ ভবেশ কলিতাবু অসাম বি জে পি য়ুনিটকী অনৌবা প্রসিদেন্ট হাপলকপদা বি জে পিগী নেম্নেল ভাইস প্রসিদেন্ট বাইজেন্ট জয় পন্দানা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে। পন্দানা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোরকখিবদা হান্না মিনিষ্টর ওইরম্লবা নহা ওইবা এম এল এ অমবু পার্টিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট হাপ্পা অসিনা পার্টি অসিগী ওর্গনাইজেসনগী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং ওইরগনি।

মহাক্কী লীচিং মখাদা অসামগী মীয়ামদা বি জে পিবু হেন্না পাম্নরগনি। কুমজা ২০১৬ কী অসাম এসেমব্লি মীখলদা রঙ্গিয়া কন্সটিট্যুয়েন্সিদগী মায় পাক্লকখিবা ভাবেশ কলিতা সরবনন্দ সোনোৱালনা লুচিংবা মিনিষ্ট্রিদা মিনিষ্টর অমা ওইখি। মহাক চহী অসিগী মীখলদসু অনীরকশুবা ওইনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদগী মায় পাকখি।

# দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা গ্রেটর ত্রিপ্রালেন্দ শেম্নবগী রিজোলুসন পাস তৌখ্রে

অগরটালা, জুন ২৬ (এজেন্সী):

ত্রিপুরা ত্রাইবেল এরিয়াজ ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (টি টি এ এ দি সী) না গ্রেটর ত্রিপ্রালেন্দ শেম্নবগী রিজোলুসন অমা পাস তৌখ্রে। রিজোলুসন অদু হৌজিক চথুরিবা এ দি সী মীফমগী নীনি চৎনবা নুমিৎ ইরাই নুমিত্তা পাস তৌখিবনি।

ইরাই নুমিৎকী সেসন অদুনা টি আই পি আর এ মেথাগী ইলেক্তেদ মেম্বর অমা ওইরিবা ব্রুনেল দেব বর্ম্মনা প্রোপোজেল এ দি সী সেসনগী অনীশুবা নুমিত্তা প্রোপোজেল অদুবু মপুং ফানা শৌগৎলদুনা টি আই পি আর এ মেথাগী চ্যেরমেন অমসু এন দি সী প্রাদয়োট বিক্রম কিসোর দেব বর্ম্মনা মীপুম খুদিংমক্তা লিংজেল মান্ননা লেপ্তুনা ত্রিপুরাগী য়েলহৌমী ত্রাইবশিংগী সোসিও-ইকনমিগী ফীভম ফগৎহন্নবা আপীল তৌখি।

মহাক্লা হায়খি, হৌজিক ঐখোয়না হিংলিবা অসি অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লরক্লে। হিংনবগীদমক ঐখোয় গ্রেটর ত্রিপ্রালেন্দ মথৌ তারক্লে। নীং তম্বা ফংলকপা চহী য়াম্লক্লবসু হৌজিক ফাওবদা ঐখোয় মনীং তম্বা কাঙলুপ অমা ওইনা হিংবগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংদ্রি।

পার্টি এফিলিয়েসনগী খেন্নবা থিদনা মীপুম খুদিংমক্লা ষ্টেট অসিদা চাওখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা অঙম্বা থাক্তা তকশিনগদবনি। পোলিটিক্সকী অপিকপা ৱাখলশিং থাদোক্লরগা লমদম অসিবু চাওখৎনবা হোৎননবা মহাক্লা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী এয়রপোর্ট মহারাজগী মিংদা নৌনা মমিং থোনখিবা অসি পেন্নিংঙাই ওই। হেন্না পেনগদবদি য়েলহৌমী নহাশিংগী মরক্তগী অমনা পাইলোট ওইরকপদুনি।

# হিরোইন, য়াবা টেব্লেটকা কোন্ননা ফারে

গোলপরা, জুন ২৬ (এজেন্সী):

দ্রগ লল্লোনবশিং অমসুং এন্টি সোসল এক্তিভিষ্টিশিংগী মায়োক্তা লেপ্তুনা চথরকপা ওপরেসনশিংগী শরুক অমা ওইনা থাংজ নুমিত্তা গোলপরা পুলিসনা মীওই অনী হিরোইন, য়াবা টেব্লেট অমসুং ফেক গোল্ড বারগা কোন্ননা ফারে।

ফারবা মীওই অনী অদুদি সাউথ সালমারা মানকাচার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মানকাচারগী ভিলেজ নম্বর ২ পুগরগাউন্দদা লৈবা রাকিবুর ইস্লাম অমসুং অজনিল হুসেননি। হীরম অসিগা মরী লৈননা গোলপরাগী এসিষ্টেন্ট সুপরিন্টেন্দন্ট ওফ পুলিস মেনান দেকানা ফোঙদোরকপদা অকক্লবা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা হেদ ক্বার্টর দি এস পিগী সুপর ভিজনগী মখাদা গোলপরা পুলিসনা দ্রগশিং অমসুং অতৈ আইটেমশিং অদুন্য গোলপরাদগী রিকোভর তৌখি।

# দোজ ২ কাপ্পবশিং টেষ্ট তৌহল্লরোই

গুৱাহাটি, জুন ২৬ (এজেন্সী):

অসাম গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্পবা মীওইশিং অসামগী এয়রপোর্টশিং অমসুং রেলৱেশিংদা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহন্দনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ৱাফম অসি অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ইরাই নুমিত্তা গুৱাহাটিদা ফোঙদোকখিবনি। ৱারেপ অদু অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা চ্যের লৌদুনা ইরাই নুমিত্ত পাঙথোকখিবা কোভিদ-১৯ রিভিয়ু মিটিং অমদা লৌখিবনি।

# এসেমব্লি স্পিকর য়াওনা ত্রিপুরা মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরবা য়ানা লৈরি



অগরটালা, জুন ২৬ (এজেন্সী):


ত্রিপুরাদা ঙসি বি জে পিগী নেম্নেল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোস থুংলখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা ত্রিপুরা লৈঙাক্কী মতাংদা য়াম্না কুপ্পা খন্নখিবগা লোয়ননা এসেমব্লি স্পিকর য়াওনা কেবিনেট মিনিষ্টর খরা হোংদোক হোংজিন তৌরবা য়ানা লৈরি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না বি জে পিগী এম এল এশিং সুসান্ত চৌধুরি অমসুং বিস্বা বনধু সেনবু মিনিষ্টর ওইনা হাপলবা য়ানা লৈ অমদি এস সী কেটেগোরিটদা এম এল এ অমবুসু মিনিষ্টর ওইহল্লবা য়ানা লৈরি। অদুগা অমরোমদনা ত্রিপুরা এসেমব্লিগী স্পিকর রেবাটি মোহনদাস য়াওনা অতোপ্পা মিনিষ্টর অনী মিনিষ্টর ফমদগী লৌথোক্লবা য়ানা লৈরে।

বিপ্লব দেব কুমারগী লৈঙাক্তা অহোংবা খরা লাকপা য়াই হায়না মীয়াম্না থাজনরম্বা অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোক্লবা য়ানা লৈরে। অদুমওইনমক মিনিষ্টর ফম শিন্দোক শিঞ্জিন তৌবগী মতাংদা বি জে পি এম এল এশিংগী মরক্তা চয়েৎনবা খরদি অদুমক লৈরি। বি জে পি নেম্নেল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোসনা করি ফিরেপ লৌরগদগে হায়বদুগী মতাংদদি চপ চাবা রিপোর্ট অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি।

বি জে পি লিদর অসিগী অপাম্বা মতুং ইন্না ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা শিন্দোক শিঞ্জিন তৌরবা য়ানা লৈ। অমরোমদা মশক মমিং তাকথোক্তবা বি জে পিগী এম এল এ অমনা ফোঙদোরকখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্লা অকনবা মওংদা চৈথেং পীরিঙৈ মরক্তা মিনিষ্টর ফম হোংদোক হোংজিন তৌনবা ফিরেপ লৌরক্লিবা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। কোভিদ পেন্দমিক্কী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা মিনিষ্টর ফম মুন্নরকপা অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পেন্দবা কয়া ফোঙদোরকপা য়াই হায়বসি চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেবনা কাওরোইদবনি হায়রি।

## CROSSWORD-3822



### ACROSS

1 Send into exile (6)
4 Grumble (6)
8 Teacher (5)
9 Italian child (7)
10 Letter (7)
11 Requirements (5)
12 Horticulturalists (9)
17 Made a mistake (5)
19 Associate, collaborator (7)
21 Mender of shoes (7)
22 Elk (5)
23 Zestful enjoyment (6)
24 Gemstone (6)

### DOWN

1 Fuss (6)
2 Naught (7)
3 Swagger (5)
5 Love story (7)
6 Combine (5)
7 Self-centred person (6)
9 Apiarist (9)
13 Coarse sieves (7)
14 Nightfall (7)
15 Sporting swordsman (6)
16 Clergyman (6)
18 Revolt (5)
20 Dance of Cuban origin (5)

**Solution 3821**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3621

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | | | 4 | 8 | | | | 9 |
| | | 9 | 1 | | 6 | | | |
| | 5 | 7 | | | | | 1 | |
| 3 | 9 | | | | 4 | | | |
| | | | | | | | | |
| 2 | 7 | 5 | 3 | | | | 8 | |
| | | | | | 2 | 7 | | |
| | 6 | | | | | | 5 | |
| | | 8 | 6 | | | | 2 | 1 |

## Solution-3620

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 6 | 2 | 9 | 7 | 5 | 1 | 4 | 3 | 8 |
| 8 | 3 | 5 | 2 | 4 | 6 | 7 | 1 | 9 |
| 1 | 4 | 7 | 9 | 3 | 8 | 6 | 5 | 2 |
| 5 | 8 | 4 | 6 | 1 | 9 | 3 | 2 | 7 |
| 9 | 1 | 3 | 4 | 7 | 2 | 5 | 8 | 6 |
| 2 | 7 | 6 | 5 | 8 | 3 | 1 | 9 | 4 |
| 3 | 9 | 1 | 8 | 6 | 7 | 2 | 4 | 5 |
| 7 | 5 | 2 | 3 | 9 | 4 | 8 | 6 | 1 |
| 4 | 6 | 8 | 1 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

APVVP Recruitment 2021 dmeaponline.com: Government of Andhra Pradesh, Health Medical and Family Welfare Department, Andhra Pradesh Vaidya Vidhana Parisha (APVVP) invites online applications from eligible candidates for recruitment post of Civil Assistant Surgeon Specialists of different specialties in APVVP Hospitals on Regular basis. The last date for registration of online applications is 28th June 2021.
Name of Post
Total Vacancies
Civil Assistant Surgeon Specialists
453
Speciality wise Vacancies:
Gynaecology - 269
Paediatrics - 113
Anaesthesia - 64
General Medicine - 30
General Surgery - 16
Orthopaedics - 12
Pathology - 05
Ophthalmology - 09
Radiology - 21
Psychiatry - 02
Dermatology - 06
E.N.T - 08
Age Limit:
42 years as on 1st July 2021
Age Relaxation: 05 years for SC, ST, BC; 03 years for Ex-servicemen, 10 years for differently abled persons.
Consolidated Remuneration: ? 53500/- per month.
Educational Qualifications:
General Nursing and Midwifery/ Basic B.Sc. (Nursing)/ Post Basic B.Sc. (Nursing) course passed from any Nursing Training School/College of Nursing recognized by both Indian Nursing Council and Respective State Nursing Council.
Registration Certificate from West Bengal Nursing Council.
Knowledge of Bengali/Nepali- Spoken and written.
Selection Process:
Written Test
Document Verification.
Application Fee:
1500/- for OC and BC category candidates.
1000/- for SC and ST category candidates.
The fee in the form of Demand Draft obtained in any Nationalized Bank, in favour of THE COMMISSIONER, AP VAIDYA VIDHANA PARISHAD payable at UNIONBANK of INDIA, Gollapudi Branch, Vijayawada, Krishna District.
How to Apply: Eligible Interested candidates apply online through DME and APVVP Recruitment Portal (dmeaponline.com). The last date for submission of online applications is 28/06/2021 up to 5:30 PM. For any clarifications please contact Cell.No.9533299989 / 8332992347.

Southern Railway Recruitment 2021 – RRC Chennai Recruitment 2021-22 iroams.com: RRC Southern Railway offers various level of Railway Job positions for 10th Passed, 12th Passed, ITI, Diploma, Degree, Sports Persons, Cultural and Scouts & Guides qualified candidates. In this post, IndGovtJobs updates RRCMAS Recruitment 2021 latest Job notifications and Upcoming Southern Railway Vacancies available here.
Southern Railway (RRC Chennai) invites online applications from eligible candidates for engagement as Act Apprentices under Apprentices Act 1961 in the esignated trades at various Divisions/ Workshops/ Units in the jurisdiction of Southern Railway. The last date for registration of online applications is 30th June 2021.
Southern Railway, Signal & Telecommunication Workshop / Podanur:
Category
Total Vacancies
Ex-ITI
1650
Fresher's
36
Division wise Vacancies for Ex.ITI: Signal & Telecommunication work shop / Podanur, Coimbatore - 59, Trivandrum Division - 683, Palghat Division - 666, Salem Division - 242.
Southern Railway, Central Workshop, Golden Park:
Division / Category
Total Vacancies
Freshers & I.T.I Candidates for Central Workshop / Ponmalai
334
ITI Candidates for Tiruchirappalli Division
217
ITI Candidates for Madurai Division
149
Southern Railway, Carriage Works, Perambur:
Category
Total Vacancies
Fresher's
80
Ex-ITI
856
Division wise Vacancies for Fresher: Carriage & Wagon Works, Perambur - 60, Railway Hospital/ Perambur - 80.
Division wise Vacancies for Ex.ITI: Carriage & Wagon Works, Perambur - 170, Electrical Workshop / Perambur - 120, Loco Works / Perambur - 214, Engineering Workshop / Arakkonam - 67, Chennai Division - RS/ AJJ - 60, Chennai Division - RS / AVD - 88, Chennai Division - RS/TBM - 60, Chennai Division - DSL / TNP - 07, Chennai Division - C&W / Mech - 40, Chennai Division - RS / RPM - 27, Railway Hospital / Perambur - 03.
Age Limit:
The candidates should have completed 15 years of age and should not have completed 22 / 24 years for Freshers / Ex-ITI, MLT respectively.
The Upper age is relax able by 3 years for OBC, 5 years for SC/ST candidates and 10 Years for Person with Benchmark Disability (PwBD).
Stipend:
Fresher's - X std: ? 6000/- per month
Fresher's - 12thstd: 7000/- per month
Ex-ITI: ? 7000/- per month
Educational Qualifications:
Must have passed 10th class / Matriculation examination under 10 +2 system or its equivalent with minimum 50% marks in aggregate.
Must have passed ITI Course in relevant trades from a recognized institution.
Must have passed +2 Std under 10 +2 system with Science (Physics, Chemistry & Biology) for MLT Candidates.
Application Fee:
100/- only for General / OBC category candidates.
No fee for SC / ST / PwBD / Women category candidates.
The fee can be made through online payment mode.
Selection Process: The selection will be on the basis of Merit List (Matric / Higher Secondary / ITI Qualification Marks)
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through RRC Chennai Online Registration Portal (iroams.com). The last date for registration of online applications is 30/06/2021 up to 5:00 PM.

Mehsana Urban Cooperative Bank Recruitment 2021 www.mucbank.com: The Mehsana Urban Co-op Bank Limited (Multi State Scheduled Bank), Gujarat invites online applications from eligible candidates for 50 Clerical Cadre Trainee vacancies to be filled in MUC Bank branches. The last date for submission of online applications is 10th July 2021.
MUC Bank Clerk Recruitment 2021
Name of the Post
No of Vacancies
Clerical Trainee
50
Age Limit: Minimum 21 years and Maximum 35 years. Age relaxation as per rules.
Consolidated Salary: ? 14,000/- / ? 15000 / ? 16000 / 25100/- per month
Educational Qualification: M.Com., M.Sc. Post Graduate (Science), MCA, MBA.
Selection Process:
Written Examination
Interview.
Application Fee: ? 100/-
How to Apply: Eligible candidates should apply online only through MUC Bank website (www.mucbank.com). The last date for registration of online application is 10/07/2021. The hard copy of filled online application (Print out) should be reach to The Mehsana Urban Co-operative Bank Limited, Urban Corporate Building, Highway, Mehsana- 384002 latest by 20/07/2021.

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC WORKS DEPARTMENT**
**No. 1/6/2021-IE/PWD/**
**IMPHAL EAST DIVISION, PUBLIC WORKS DEPARTMENT, KHOYATHONG**
**MANIPUR, IMPHAL-795001**
**NATIONAL COMPETITIVE BIDDING**
**Date, Imphal, the 23rd June, 2020**

The Executive Imphal East Division, PWD, Manipur, on behalf of the Governor of Manipur invites item rate tender through open tender from eligible contractor for **(166)** Nos. of Plan works - MH: 5054 & **(86)** Nos. of Non-plan works - MH: 3054 (Road Works, Building works, Culverts, Pucca drain, R/Wall, Minor Bridge, Land development etc.) at a cost at **Rs. 9132** Lakhs within Imphal East District Manipur.

The procurement, officer is Executive Engineer, Imphal East Division, PWD, Manipur. The tender details and document shall be available from the office of the Executive Engineer, Imphal East Division, PWD, Manipur, Khoyathong.

Bid submission start date :- **01/07/2021**
Bid submission end date :- **31/07/2021**
Date of opening of Bid :- will be notice later at Office Notice Board.
Time :- 11.00 a.m. to 04.30 pm, Venue - Office of the Executive Engineer, Imphal East Division, PWD, Manipur

Sd/- **Executive Engineer,**
Imphal East Division, PWD, Manipur

HL-P/9964/27

